**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন-মনিপুরনা লৌবা কুমশি চহিগী হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসন-মেত্রিক পরিক্ষাগী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে।

২) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- মণিপুরগুম্বা ইনাক খুল্লবা অরিবা সভৈত্যা লৈবা লমদম অমদা রাজ্যপাল ওইবা অসি থোইদোকা চাউথোকচনিঙাইনি।

৩) মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ঙসি মনিপুরদসু মালেমগী রেড ক্রোস নুমিৎ পালন পাঙথোকখি।

৪) এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট ওক্রম ইবোবীনা হায়রি- সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিং লৈনা লৈনা কামজোং জিলাগী ঙমখৈদা লৈবা খুলশিংদা হিংশাগী থৌওংশিং চত্থখিবা অদু য়ামা লাইবক থিবনি।

অমসুং

৫) নোংচুপ বেঙ্গলদা, বি.জে.পি লুচিংবা সুবেন্দু আধিকারিবু বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ওইনা খনখ্রে।

------

রিজল্ট(এল)ঃ বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন-মনিপুরনা লৌবা কুমশি চহিগী হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসন-মেত্রিক পরিক্ষাগী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে। পাস তৌবগী চাং চাদা ৮৮.৭৪ ওইখি।

পরিক্ষা অসিগীদমক পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৬,৭২৬ থাজিল্লকপগী মনুংদা মহৈরোই লিশিং ৩৬,৫৭৯ না পরিক্ষা থাখি। মসিগী মনুংদা মহৈরোই লিশিং ৩২,৪৫৯ পাস তৌখি। নুপা মহৈরোইনা লিশিং ১৬,২৫৩ নি, নুপী মহৈরোইনা লিশিং ১৬,২০৬ নি।

পরিক্ষা অসিদা সরকারগী স্কুলগী মহৈরোই লিশিং ৬,৩০৮ পাস তৌদুনা, পাস তৌবগী চাং চাদা ৭৭.৬৩ ওইখি। এদেদ স্কুলগীনা মহৈরোই লিশিং ১,২৪৮ পাস তৌদুনা, পাস তৌবগী চাং ৮৪.১৫ ওইখি। প্রাইভেট স্কুলগীনা মহৈরোই লিশিং ২৪,৯০৩ পাস তৌদুনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯২.৩৪ ওইখি।

ইম্ফালদা লৈবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ়কেসন মণিপুরগী ওফিসতা পাঙথোকপা পরিক্ষাগী ফল লাউথোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ইজ়কেসন (এস)কী কম্মিসনার নিংথৌজম জিওফ্রিনা হায়- সি.বি.এস.ইগী চৎনবা পথাপ মতুংইন্না পরিক্ষাগী ফল অসি গ্রেদ সিষ্টেমদা লাউথোকপনি। ঙরাং পাঙথোকখিবা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা ক্লাস এলেভেন অমসুং তুয়েল্বকী পরিক্ষাশিংদসু মসিগা মান্নবা মওং অথুবা মতমদা চৎনহন্নবা ব্রারেপ লৌখ্রে। পুম মকশিং অসি নেসনেল ইজ়কেসন পোলিসি ২০২০ গী মনুং চন্না পায়খৎলকপা থবকশিংনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখি ইজ়কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এন.জি. ভোগেন্দ্রোনা হায়- মথং চহিদগীদি সি.বি.এস.ইগী মওংদা খরা ঙন্না পরিক্ষা হায়দোকবা হোৎনগনি। পরিক্ষা অসিগী ফলদা মমাং চহিগা য়েংনবদা পাস তৌবগী চাং খজিক্তং হন্থরিবা অসি, পরিক্ষা অসি য়ামা চেকশিন্না ফজনা পাঙথোকখিবগী খুদমনি হায়না লৌবসু য়াই।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ়কেসন মণিপুরগী সেক্রেতরি এস. জিতেলাল শর্ম্মনা হায়- বোর্দনা মথং চহিদগীদি পরিক্ষা লোইবা

নুমিৎতগী হৌদুনা ইভালুএসন তৌবগী থবক পায়খৎলগনি। মসিনা পরিক্ষা হায়দোকপগী মতম তেনশিন্দুনা মহৈরোইশিংদা মখোয়না তমিংবা সবজেক্টশিং খঞ্জবদা খুদোংচাবা পীরগনি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ফার্ষ্ট লেদিগা পুন্না বেঙ্গলুরুদা লৈবা আর্ট ওফ লিভিং ইন্তরনেসনেল সেন্তরদা চত্তুনা মসিবু লিংখৎখিবা গুরুদেব শ্রীশ্রী রবিশঙ্করগা উন্নখ্রে।

মফম অদুদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- গুরুদেবগী লমজিং মখাদা আর্ট ওফ লিভিং ইন্তরনেসনেল সেন্তর অসিনা চহি ৪৫ চুপা মালেমগী থাক্তা মীওইবা খুনাইগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা পাঙথোরক্লিবা থবক থৌরমশিং থোইদোকা শিংথানিঙাইনি। কুমজা ১৯৮১ দগী হৌনা সেন্তর অসিনা নাৎকী চৎনবী কয়া ঙাকপগা লোয়ননা ফজরবা ৱাখল্লোন কয়া শন্দোক্তুনা লাক্লি। মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মীয়ামগী সেবা তৌবা হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি থোইদোকা থাগৎনিঙাইনি। মণিপুরগী অরিবা মতমদগী লৈরক্লিবা চৎন লোনচৎশিং অমসুং আর্ট ওফ লিভিংগী মরক্তা মান্নবা ৱাখল্লোনশিং লৈ হায়না ফোংদোক্লদুনা শ্রী ভল্লানা হায়- মণিপুরগুম্বা ইনাক খুল্লবা অরিবা সভ্যেতা লৈবা লমদম অমদা রাজ্যপাল অমা ওইনা থবক তৌবা ফংবা অসি থোইদোকা চাউথোকচনিঙাইনি। কাংলুপ কয়ানা খুন্দারিবা রাজ্য অসিদা লৈরিবা কলা সংস্কৃতি, অরিবা মতমগী মার্সেল আর্টস অমসুং নাৎ চৎনবী কয়াদা যুম্ফম ওইদুনা অপুনবগী শক্তম অমা শাগৎতুনা অমদি ঙাক্তুনা থল্লক্লি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা গুরদেব শ্রীশ্রী রবিশঙ্করনা হায়- মণিপুরদা থুনা শান্তি হঞ্জিল্লকপা হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা আশা অমনি। মদুমক রাজ্যপালনা থবক ওইনা পাঙথোরক্কনি হায়বগী থাজবসু গুরুদেবনা ফোংদোকখি।

রেড ক্রোস (এল) ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ঙসি মনিপুরদসু মালেমগী রেড ক্রোস নুমিৎ পালন পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগী

হীরমনা ‘য়ুনাইটেদ ইন হ্যুমেনিতি’ হায়বসিনি।

ইম্ফালগী এম.জি. এভিন্যুদা লৈবা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ওফিসতা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড রেড ক্রোস এন্দ রেড ক্রেসেন্ট ডে ২০২৬ কী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ভাইস প্রসিদেন্ট আর.কে. নিমাইনা হায়- জাৎ, কুচু অমদি লাইনিং লাইশোলগী খেন্নবা লৈতনা মীওইবনা অৱা অনা তারকপা মতমদা কৎথোকপগা লোয়ননা মখোয়গীদমক মতেং পাংলিবা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিগী থৌমীশিংগী থৌদাং থোইদোকা থাগৎনিঙাইনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী চেয়ারমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বনা হায়- অৱা অনা তারবা মীওইশিংবু কন্ননবা সোসাইতিগী ভোলুন্তিয়ারশিংনা মথৌ পাঙথোকপা চৎপা মতমদা রেড ক্রোসকী লোগো য়াওবা এম্বুলেন্সশিংদা অতমনা নুংঙাইতবা থৌদোক কয়া সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চথবা য়াওরকপা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। মসি মালেমগী অতৈ মফমশিংদা তৌনদবা থবকি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা লম্বোই খোঙনাংখোংদা লৈবা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোস অভাস্যা বিদ্যালয়াদা মালেমগী রেড ক্রোস নুমিৎ পালন পাঙথোকখি। ইম্ফাল ইষ্টকী খাবৈশোইদা লৈবা বাবিনা মল্টিস্পেসেলটি হোস্পিতালদসু ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা শিন দুনা পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি।

কংগ্রেস (এল)ঃ মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি)গী প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওক্রম ইবোবীনা হায়রি- সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিং লৈনা লৈনা কামজোং জিলাগী ঙমখৈদা লৈবা খুলশিংদা হিংশাগী থৌওংশিং চথখিবা অদু য়ামা লাইবক থিবনি।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী ইবোবীনা হায়- অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি য়েংদুনা কয়াম কুইনা খাঙদুনা লৈখিগনি। মসি লৈবাক মনুংগী নত্রগা এক্সতরনেল এগ্রেসন ওইরম্বা য়াই। অদুবু মসিদা পেনিংঙাই ওইবা থবক অমত্তা লৌখৎতবা অসি লমদম অসিগী মীয়ামা

পেন্নদে। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিনা মণিপুর অসি ভারতকী শরুক অমা নত্রব্রা হায়বগী ৱাখল্লোন পোকহল্লে।

এআর (এল)ঃ  অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙসি ককচিংদা এক্স-সার্ভিসমেন আউটরিটচ দ্রাইভ অমা পাঙথোকখ্রে। থবক্তগী পোত্থারবা অসাম রাইফলসকী মীওইশিংগা নুংশিনবগী মরী থমদুনা মখোয়গী য়াইফ থৌরাংশিংদা শরুক য়ানবা চংশিল্লকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা আই.জি.এ.আর (সাউথ) মেজর জেনেরেল গৌরব শর্ম্মা য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

বেঙ্গল ঃ  নোংচুপ বেঙ্গলদা বি.জে.পি লুচিংবা সুবেন্দু আধিকারিবু বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ওইনা খনখ্রে। মহাকা নোংচুপ বেঙ্গলগী অহানবা বি.জে.পিগী মুখ্য মন্ত্রি ওইরগনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা বি.জে.পি এম.এল.এশিংগী মীফমদা শ্রী আধিকারিবু বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ওইনা খল্লে হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা লাডথোকখি। কোলকাতাগী ব্রিগেদ পেরেদ গ্রাউন্দদা হয়েং সুবিন্দু আধিকারিবু অনৌবা বি.জে.পি সরকারগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌগনি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং নিতিন গদকরি, জে.পি. নদ্দা, দল অসিগী প্রসিদেন্ট-নিতিন নবিন অমসুং বি.জে.পিনা সরকার পায়বা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং উপ মুখ্য মন্ত্রিশিং শরুক য়াগনি। মণিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দসু ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়ানবা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

পেত্রোল্লিয়ম ঃ  কেন্দ্রগী পেত্রোল্লিয়ম মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেতরি সুজাতা শর্ম্মনা হায়রি- ভারতনা এল.পি.জি চাদা ৯০ অমসুং নেচরেল গ্যাসকী চাদা ৬৫ মিদল ইষ্টতগী পুশিল্লক্লি। হৌখিবা থা খরা অসিদা মফম অদুদা উংখৎনবগী ফিভম

লৈদুনা ইন্তরনেসনেল মার্কেটতা শুংদোক্লিবা থাউগী মমল বেরেল অমদা দোল্লর ৭০ ওইরম্বা অদু হৌজিক্তি ১২০ দা হেনগৎলে। মরম অসিনা ভারতকী ওইল মার্কেটিং কম্পনিশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি। অদুবু মীয়ামা থাউগী মমল হেনগৎপগী অৱাবা থেংনদনবা সরকারনা মপান লমদগী পুশিল্লকপা থাউদা লৌরম্বা এক্সাইজ দ্যুতিগী চাং হন্থরে।

নাইদু ঃ কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি রাম মোহন নাইদুনা হায়রি- হৌখিবা চহিগী জন্ থাদা এয়ার ইন্দিয়াগী ফ্লাইট এ.আই-১৭১ কায়খিবগী মতাংদা এয়ারক্রাফট এক্সিদেন্ট ইনভেষ্টিগেসন ব্যুরোনা কুপা থিজিল্লি। লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা ভারতমচা খক নত্তনা মপান লমগী মীওই কয়া য়াওবা অসিনা, তুংদা থিজিল্লিবা অসিগী মতাংদা ৱাহংশিং লাক্তনবা ব্যুরো অসিনা কন্না হোৎনরি। অথুবা মতমদা ফাইনেল রিপোর্ট পীখৎলকবা কেন্দ্র সরকারনসু ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সি অসিদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংলি।

শ্রী রাম মোহন নাইদুনা হায়- ভারত অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা দোমেষ্টিক এভিএসন মার্কেটশিংগী মনুংদা অহুমসুবা মফমদা লৈরে। চহি অসিদা দোমেষ্টিক পেসেঞ্জর কোতি ১৯ হেনবনা এরোপ্লেন তোংখি । ইং ২০৩৫ ফাওবদা হৌজিক লৈরিবা কম্মর্সিয়েল এয়ারক্রাফট মশিং লিশিং ১,১০০ অসিদগী শরুক অহুম হেনগৎহন্নবা পান্দম থল্লি।

রেলৱেজ ঃ নোর্দন রেলৱেজনা চলাইরিবা রেলগাড়িশিং নৌনা শেমজিন শাজিনবা অমদি ওতোমেতিক ত্রেন প্রোটেক্সন সিষ্টেম (কবচ্চ) হাপনবা ইন্দিয়ান রেলৱেজনা অয়াবা পীখ্রে। লুপা কোতি ৩৬২ চংনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অসিদা ফিরোজপুরদগী জম্মু দিভিজন ফাওবগী কিলোমিতর ৪৭৮ শাংবা রেল তাল্লি অসিদা কবচ্চ সিষ্টেম হাপ্পা য়াওরি। টেকোলোজি অসিনা ত্রেন অনিনা তালি অমত্তদা শোইবদগী লাকপা মতমদা ওতোমেতিক ব্রেক সিষ্টেম শিজিন্নদুনা থিংগনি অমসুং লোকো পাইলোতশিংদসু ৱার্নিং পীদুনা ত্রেনশিং এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হন্থহনবা ঙম্লগনি।

য়ুএস ঃ য়ু.এসকী ফেদরেল কোর্ট অমনা আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি দোনল্ড ত্রম্পনা চহি অসি হৌরকপদা ভারত্তগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিংগী মথক্তা চাদা ১০ গী টারিফ লৌবগী ৱারেপ অদুবু আইন্না য়াদবা থৌওংনি হায়না ককথৎখ্রে। য়ু.এস. কোর্ট ওফ ইন্তরনেসনেল ত্রেদনা রাই অদু লাউথোক্লদুনা হায়- টরিফ অসি লৈবাক অদুদা চৎনরিবা ত্রেদ এক্ট ১৯৭৪ গী সেক্সন ১২২ গী ৱাংমদনি। রাই অসিগী মতুংইন্না য়ু.এস. লৈঙাকা ভারতকী কম্পনিশিংদা থল্লম্বা টারিফ অদু খুদক্তগী হন্দোক্লে অমসুং হান্না লৌখিবা শেনফমশিংসু হন্দোক্কদবনি হায়রি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফ়ুটবোল ঃ চাইনাগী সুজৌদা চথরিবা এ.এফ.সি অন্দর সভেন্তিন ৱিমেন্স এসিয়ান কপকী গ্রুপ-বি মেটচ অমদা ভারতনা লেবাননবু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। ভারতকী পাঞ্জলশিং অদু শেঞ্জম অলভা, জোয়া অমদি প্রিতিকা বরমন্না চনখিবনি।

মুকা ঃ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)না শিন্দুনা ইনাৎকা মশান্না য়োকখৎশি হায়বা পান্দমদা অনিরক শুবা ওইনা ষ্টেট লেবেল মুকা কম্পিতিসন ২০২৬ থা অসিগী ৩০ অমদি ৩১ দা পাঙথোক্লগনি। চাংদমবা অসিদা শরুক য়াগদবা মহৈরোইশিংনা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম থাজিল্লকবা য়ুনিয়ন অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ক্রিকেট ঃ অহুমসুবা এম.এন.সি.এ গার্লস অন্দর ফিফতিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি থাউ গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচতা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্ পার্ট টু পেচু লম্পাকা এস.য়ু শগোলবন্দবু রন ৭৩ দা থোইখ্রে।

৫ শুবা এম.এন.সি.এ বোইজ অন্দর ফোরতিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমশাংগী খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা লিগ মেটচতা ত্রাউ

ক্বাকৈথেলনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন ৯৮ তা থোইখ্রে। পাব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা অক্সদো খাঙবোকনা এস.দি.ও কৈরাও মক্তিংবু ৱিকেট ৩ দা থোইখি। মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দ থৌবালদা শান্নখিবা মেটচতনা পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্ট ফোরনা কে.সি.সি কোংবা বজারবু রন ১৩ দা থোইখ্রে।

------